# ইলেক্টোরেল সিষ্টেমদা অহোংবা লাকহনবনা হোং কোংগী ভোট থীন্থহনবা য়াই: কেরি লাম



হোং কোং, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

চাইনানা হোং কোংগী ইলেক্টোরেল সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিনা সিটি অসিগী লেজিসলেচরগী ভোট মখা তানা থিন্থহনগনি হায়না হোং কোংগী লীদর কেরি লামনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। লামনা করম্বা মতমদা মীখল পাঙথোক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

চাইনাগী মমিংগী ওইবা পার্লিয়ামেন্ট নেসনল পীপলস কোংগ্রেস (এন পি সী)না হোং কোংগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা দেমোক্রেটিক রিপ্রজেন্টেসন হন্থহনগদবা অমসুং কেন্দিদেটশিংবু মরৈবাক নীংবগী ৱাখল চেনব্রা চেন্দব্রা হায়বদু য়েংশিনহনগদবা রিজোল্যুসন অমা শগোলশেন নুমিত্তা এপ্রুভ তৌরবা য়াই।

চাইনাগী থৌরাং অসিনা হোং কোংগী লেজিসলেচর অমসুং চীফ এগজিক্যুটিভ খনগদৌরিবা কম্মিটিগী সাইজ হেন্না চাওখৎহনগদবা মওংদা বৈজিংগা নকশিন্নবা মেম্বর মশিং হেনগৎহনগনি। ইলেক্টোরেল কম্মিটিদা লেজিসলেটর কয়া খনবগী পাৱরশিংসু পীগনি।

বৈজিংদা এন পি সী হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারুরগা হল্লক্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা লামনা হায়, ইলেক্টোরেল সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাকহনগদৌরিবসি ৱাহন্থোক্তি লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী ভোট পাঙথোকপা হায়বসি ইলেক্টোরেল কম্মিটিগী মেম্বরশিং খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা তাগনি। হৌজিক্কী লৈরিবা ফিভম অসিদা কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বর ৫ অসি লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী জেনরেল ইলেক্সনগী নুমিৎ ওইগদ্রা হায়বসি লেপ্পা ঙমদে হায়না লামনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ভোট অদু হান্না কুমজা ২০২০গী সেপ্টেমবরদা পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বদগী কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টনা চহী অমা চোন্থহনখিবনি। কুমজা ২০১৯দা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাক-শন্না প্রোটেষ্ট কয়া চত্থখিবদা প্রো-দিমোক্রেসি ওপোজিসনগী ফিভম ফগৎলম্লবসু হৌজিক্তি মখোয় সিটি অসিগী মিনি পার্লিয়ামেন্টতা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মেজোরিটি সিট পায়বা ঙমদৌরিব্রা হায়বসি হায়বদা লুগদৌরি। বৈজিংনা কুমজা ২০২০গী জুনদা নেসনল সিক্যুরিটি লো চৎনহন্দুনা সিটি অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগী থৌরাংশিং মথং মথং পায়খৎলকখি। প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈননা নৎত্রগা অনৌবা লো অসিগী মখাদা ওথোরিটিশিংনা মশক নাইরবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ান অমসুং এক্টিভিষ্ট কয়া ফাজিনখি।

হৌজিক্তি পব্লিক ওফিস পায়গদবা মীওই খূদিংমক মরৈবাক নীংবগী ৱাখল চেনব্রা চেন্দব্রা হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি কয়া মথৌ লেপখিবা, দেমোক্রেটিক পোলিটিসিয়ান কয়া জেলদা থম্বা নৎত্রগা লোই চৎনখিবা অমদি সিটি অসিগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা বৈজিংগা নকশিন্নবা মেম্বর মশিং য়ামহল্লকপা অসিনা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হবনি হায়নরিবা সিটি অসিদা ওপোজিসনগী ফিভম করি ওইরক্কদবা নৎত্রগা ওপোজিসন লৈখিগদ্রা হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি। হোং কোংদা দিমোক্রেসি মপূং ফাবা চৎনহনগনি হায়না থাজরিবা মীওইশিংনা বৈজিংগী খোঙথাংশিং অসিবু কন্দেম তৌখি।

# ম্যান্মারগী প্রোটেষ্টর অনী শিরে দুকান, ফেক্টরি অমসুং বেঙ্কশিং থিংজিনখ্রে

য়াঙ্গোন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী মিলিটরি রুলরশিংগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ কন্নখৎলকপগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা সিটি য়াঙ্গোনদা প্রোটেষ্টর অনী নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রো দুকানশিং, ফেক্টরিশিং অমসুং বেঙ্কশিং থোঙ লোন্নখ্রে।

ফেসবুক্তা থাগৎপা ফোটোশিংদা অৱাং থংবা টাউন মিটকিনাগী লম্বীদা নুপা অনীগী হকচাংশিং তাদুনা লৈবা উখি। ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়ারিঙৈদা পুলিসনা ষ্টন গ্রেনেদশিং অমসুং টিয়র গ্যাস কাপ্লকখি। অনকপা বিল্ডিংশিংদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই কয়া পানখি। ৱিটনেস অমনা হায়, মহাক্না অশিবা হকচাংশিংদু পুবদা মতেং পাংখি। মীওই ২ মকোক্তা নোংমৈনা পানবদগী থৌদোক থোকফমদা শিখি।

খূৎলায় পায়দবা মীচমশিংবু হাৎপা হায়বসি মীওইবগী ৱাখল চেন্দবগী মতৌনি, ঐখোয় ঈংনা চিক্লা প্রোটেষ্ট তৌবগী রাইট লৈফম থোকই হায়না মশাগী চহী ২০ শুরবা নুপা অমনা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্ট মফমদুদা পুলিস অমসুং মিলিটরি অনীমক লৈরবসু প্রোটেষ্টরশিংদা নোংমৈ কাপ্লিবদু কনাননো হায়বসি খূদক্তা খঙবা ঙমখিদে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, ফেব্রুৱারী ১দা পাঙথোকখিবা মিলিটরি কূ অদুগী মায়োক্তা নুমিৎ খূদিংগী লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা দেমোন্সট্রেসনশিং অমসুং ষ্ট্রাইকশিং থুগায়নবা হোৎনবদা পুলিস অমসুং মিলিটরিনা ফোর্স শীজিন্নবদা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে।

ফেস বুক্তা থাগৎলকপা ভিদিওশিংগী মতুং ইন্না, মিলিটরি কূ অদুগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লবশিংনা য়াঙ্গোন, অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি মন্দালে অমসুং টাউন কয়াদা পুনখি। খা থংবা সমুদ্র মপানগী টাউন দাৱেদা প্রোটেষ্টরশিংবু মিলিটরিগী মায়োক্তা মতম শাংনা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌরকখিবা ইথনিক আর্মদ গ্রুপ কারেন নেসনল য়ুনিয়ননা ঙাক-শেনখি।

ষ্টেট মিদিয়াগী মতুং ইন্না, লো ইনফোর্সমেন্টকী থবকশিংগী মনুং চন্না হোস্পিটালশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিং সিক্যুরিটি পর্সনলশিং দিপ্লোয় তৌখি। কন্সট্রক্সন, এগ্রিকলচর অমসুং মেন্যুফেক্চরিং য়াওনা সেক্টর কয়ামরুম কোনশিল্লিবা য়ুনিয়ন মাপলনা কূ হন্দোকহন্নবা অমসুং ওং সান সু চিগী ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট হন্জিলহন্নবা ম্যান্মারগী মীয়ামদা থবক লেপ্লবা আপীল তৌখিবা ৱিটনেসশিংগী মতুং ইন্না, য়াঙ্গোনদা মরু ওইবা সোপ্পিং সেন্টরশিং থোঙ লোন্নখি অমসুং ফেক্টরিশিংদা থবক অমত্তা তৌনখিদে। প্রোটেষ্ট লীদর মুং সুংখানা ফেসবূক্কী খূথাংদা নুপীশিংদা কূ অদুগী মায়োক্তা অকন্নবা ঈহৌ হৌনবা আপীল তৌখি।

# ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর রিজাইন তৌনবা তকশিনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

ন্যু য়োর্ক ষ্টেটকী মকোক থোংবা দিমোক্রেটিক লো মেকরশিংনা ষ্টেট অসিগী গভর্ণর এন্দ্রিয়ু কুমো মফম থাদোক্নবা তকশিনখ্রে।

গভর্ণর অসিগী হান্নগী এইদ অনীনা মহাকপু নাতে চাদবা থৌওং কয়া চত্থখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা কোভিদ দেটাদা অহোংবা লাকহনখি হায়না মরাল শীখ্রবা মতুংদা লো মেকরশিং অদুনা গভর্ণর কুমো মফম থাদোক্নবা তকশিনখিবনি।

হিল ন্যুজ ৱেবসাইটকী রিপোর্ট মতুং ইন্না, নোংমাইজিং নুমিত্তা ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর কুমো মফম থাদোক্নবা তকশিনখিবা দিমোক্রেটিক লো মেকরশিং অদুদি সিনেট মেজোরিটি লীদর এন্দ্রি ষ্টৈৱার্দ-কজিন্স অমসুং এসেমব্লিগী স্পীকর কার্ল হেষ্টিনি।

ন্যু য়োর্ক এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা গভর্ণরগী মায়োক্তা লৈরিবা সেক্সুএল হরাসমেন্টকী এল্লিগেসনশিংগী মতাংদা থিজিল্লগনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখিবা মতুংদা ইনৌ নৌবা খোঙথাং অসি লাকপনি।

গভর্ণর কুমোগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা থবক তৌবা নুপী অনীনা মখোয়বু মহাক্না ওফিসতা লৈরিঙৈদা নুংঙাইতবা থৌওং কয়া চত্থরকখি হায়না কমপ্লেন্ট তৌখিবা মতুংদা গভর্ণর কুমোনা এপোলোজাইস তৌবা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা গভর্ণরগী ওফিসতা থবক তৌখিবা ৩শুবা এইদ অমনসু লুহোংবগী থৌরম অমদা কুমোনা মঙোন্দা সেক্সুএল এসোল্ট চত্থনবা হোৎনরকখি হায়না মরাল শীখি।

ন্যু য়োর্ক অসি হৌজিক কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক মায়োক্লদুনা লৈরিবা ষ্টেটনি। ষ্টেট অসিগী মীপূম খূদিংমক্কী শেল-থুম অমসুং হকশেলদা পেন্দেমিক অসিনা চৈথেং পীদুনা লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা ঐখোয়না পূক্নিং-ৱাখল চোইদনা থবক তৌবগী তঙায় ফন্দবা লৈ। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণর কুমোনা পুন্নমক্কী য়েংদুনা মফম থাদোক্কদবনি হায়না সিনেটর ষ্টৈৱার্দ-কজিন্সনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

# থাইলেন্দগী এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টর ১৮ মরাল কয়া শীখ্রে

বেঙ্কোক, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা রোয়েল পেলেস অমসুং মিলিটরিনা লাকহৎলবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট শীংনখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমদা হৌখিবা চহীদা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা রেল্লিশিংদা শরুক য়াখিবা এক্টিভিষ্ট ১৮ থাইলেন্দগী প্রোজিক্যুটর অমনা মরাল কয়া শীখ্রে। নহারোলশিংনা লুচিংদুনা মমাঙ চহীদা হৌরকখিবা ঈহৌ অদুদা হান্নগী জুন্টা লীদর প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান্দ ওচা মফম থাদোক্নবা অমসুং মতম শাংনা লৈরক্লবা চৎনবী থুগায়দুনা মতিক ময়াই লৈরবা মোনার্কি রিফোর্ম তৌনবা তকশিনখি।

প্রোজিক্যুটরনা মরাল শীখিবশিংদুগী মনুংদা মশক নাইবা লীদর অহুম য়াওখি। মখোয়বু ওথোরিটিগী মায়োক্তা মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা শীনবা অমসুং মীপুনবা য়াদবগী অথিংবা থুগায়বগী মরাল শীখি। এ ক্যুজশিং অসিনা অরানবা তৌখিবগী ইভিদেন্স মতিক চানা লৈ হায়না এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসকী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন চালানোনিৱাটনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা মখোয়গী বেল এপ্লিকেসনশিং কোর্টনা রিজেক্ট তৌবা তারবদি মীওই ১৮ অসি ৱায়েল চত্থদ্রি ফাওবগী ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা জেলদা থাজিনখিবা য়াই। থাইলেন্দগী লিজমাজেষ্টি লোনা নিংথৌবু ক্রিটিসাইজ তৌবা নৎত্রগা ইকায়বা পীবদা অথিংবা থন্মী। ওফেন্স খূদিংমক চহী ১৫ ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবা য়াই।

লিজমাজেষ্টি লোগী মখাদা চার্জ তৌরবশিংদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা পান্নদোং জাদনোকনা ফোঙদোকখিবদা, জেলদা থমগনি হায়বগী ৱাখলনা মহাক্কী গ্রুপ্পু নীংহন্নহনবা ঙমদে। জেলগী অকিবা অমত্তা লৈতে হায়না পল্লদুনা পানুদাংনা হায়, ঐখোয়না তৌরিবা খূদিংমক হৌরকপখক্কীনি। অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসি ঐখোয় য়াওদ্রবসু লেপ্তুনা মখা চত্থগনি। থাইলেন্দগী নহারোলশিংনা হান্নগী আর্মি চীফ প্রয়ুথপু খ্বাইদগী চাওনা শীংনরি। মখোয়না মহাকপু মখা তানা পাৱর পায়বা য়ানবগীদমক কুমজা ২০১৯গী মীখলগী রুলশিং অদু শেমখিবনি হায়না মরাল শীরি। কন্সটিট্যুসন্না নিংথৌদা কা-হেন্না পাৱর পী হায়রদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা কন্সটিট্যুসনদা অহোবা কয়া লাকহন্নবা দিমান্দ তৌরি। বেল এপ্লিকেসন মঙারক থাবদা রিজেক্ট তৌখ্রবা অতৈ এক্টিভিষ্ট লীদর মরি মান্নবা প্রোটেষ্টরশিংগা মরী লৈননা জেলদা ৱায়েল ঙাইরি।

# টেরোরিষ্ট মঙা, পুলিস পর্সনল অনী হাৎখ্রে

ইস্লামবাদ, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিস্তানগী বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা চত্থখিবা পুলিসকী ওপরেসন অমদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট মঙা হাৎখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, পুলিসকী কাওন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্ট (সী টি দি)না নিংথৌকাবগী অঙনবদা মাষ্টুং দিষ্ট্রিক্তা ওপরেসন অমা চত্থখি। ওপরেসন অদু ইন্টলিজেন্স পাউদা য়ূন্ফম ওইরগা ইসপ্লিঞ্জি এরিয়াদা চত্থখিবনি।

সী টি দি কাঙবুশিংনা টেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম অদু কোইশিন্দুনা থল্লগা মখোয়দা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং সরেন্দর তৌবগী মহুত্তা টেরোরিষ্টশিংদুনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি।

ওপরেসন্দা হাৎখ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু প্রোভিন্স অসিগী কেপিটেল ক্বেটাদা এটেক কয়া চত্থনবা খূজিল থৌরাং য়াৎলমখি। পুলিসনা মখোয়গী লোৎফম অদুদগী য়াম্লবা এক্সপ্লোসিভ, দিটোনেটরশিং, ওটোমেটিক নোংমৈশিং, লাইভ রাওন্দশিং, রিমোট কন্ট্রোল দিভাইসশিং অমসুং অতৈ কয়া ফংখি। অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী এটেকশিংদা পুলিস পর্সনল অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ অনী অশোক অপন নংখ্রে।

ইস্লামবাদ পুলিসকী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল অফজাল কৌসরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা ইস্লামবাদকী সেক্টর জি-১৩ এরিয়াদা পুলিস পার্টি অমদা ওটোমেটিক খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা সব-ইন্সপেক্টর অমগা কন্সটেবল অনীগা অশোক অপন নংখি। কন্সটেবল অমা হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা শিখি। পুসিল পর্সনলশিংদুনা রুটিন পেট্রোলিং তৌরিঙৈদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। নুমিৎসিগী অঙনবদা রাৱালপিন্দিগী মাল রোদতা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা কাপ্তুনা হাৎখি।

# পোপ ফ্রান্সিসকী ইরাক খোঙচৎ লোইশিনখ্রে

বাঘদাদ, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

পুৱারীদা লৈহৌগদবা পোপ ফ্রান্সিসকী ইরাক খোঙচৎ নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোইশিনখ্রে। লান্না শোকহল্লবা ইরাক্কী সিটি কয়াদা চত্তুনা মুসলিম অমসুং খৃষ্টিয়ান লুচিংবশিংগা উনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা ঈংনা-চিক্লা অমসুং নুংশিচান্নবা লৈমিন্ননবা আপীল তৌরম্লবা মতুংদা পোপ ফ্রান্সিস প্লেন তোংলগা বাঘদাদ থাদোকখি।

পোপ ফ্রান্সিসনা প্লেন অমদা কাখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়ামদা খূৎ হাইখি। প্লেন অদুগী কোকপিটকী ৱিন্দোশিংদগী ভেটিকান অমসুং ইরাক্কী ফিরালশিং পাইবা উখি। ইরাক্কী প্রসিদেন্ট জহর্স সালিহনা মশাগী চহী ৮৪ শুরবা পোপ ফ্রান্সিসপু রেদ কার্পেটতা এয়রক্রাফ্ট অদু ফাওবা লোয়নখি। কোয়না চত্তুনা লাননা মাঙহন-তাকহল্লবশিং য়েংখি অমসুং ইরাকিশিংদা মরা তপ্পা ফিভম্না লানদগী হেন্না মতিক ময়াই লৈ হায়খি।

# অফগানিষ্টানগী পীছ প্রোসেসতা নুপীশিংবু মরু ওইবা থৌদাং লৌহনগদবনি:য়ু এন

সিওল, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

কাবুল, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

লাক্লিবা চয়োল খরা নৎত্রগা থা খরা অসিদা অনৌবা তাঙ্কক অমা চঙশিল্লগনি হায়না থাজনরিবা অফগানিষ্টানগী পীছ প্রোসেসতা অফগান নুপীশিংবু মরু ওইবা থৌদাং লৌহনগদবনি হায়না য়ু এননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে।

ইন্টরনেসনল ৱিমিন্স দেগা মরী লৈননা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এননা হায়, মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা অফগান নুপীশিংবু মরু ওইবা থৌদাং লৌহনবা হায়বসিদা খুন্নাইগী সেক্টর খূদিংমক্না গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা শৌগৎপা চঙই।

মসি হীরম খূদিংমক্তা লৈরিবা অফগান নুপী লুচিংবশিংগী মতিক ময়াই উৎথোক্লবগী খুদোংচাবা অমসু ওইবা য়াই। ঙসিগী নুপী লুচিংবশিংবু ইকায় খুম্নবীবা অমসুং থৌগৎপীবা তারবদি হৌরক্লিবা নুপীমচাশিংসু মখোয়গী মতুং ইনখিগনি।

পীছ প্রোসেস অসিনা মথৌনা লৈরবা অফগান নুপী লুচিংবশিং মাঙজিল থানা চোংথোরক্নুনা ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ অফগানিষ্টানগী মহুৎশিন্দুনা নিগোসিএসন কয়াদা শরুক য়ারকখি। মখোয়না অফগানিষ্টানগী কনফ্লিক্ট অসি ঈং-তপ্পা মওংদা সোল্যুসন পুরকপগী ৱাফম শৌগৎখি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসকী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ফোর অফগানিষ্টান দেবোরাহ লিওননা ফোঙদোকখি।

দেবোরাহনা মখা তানা হায়, নুপীশিংদা থবক পাঙথোক্নবগী পাৱর শিন্নবা অমসুং মখোয়বু পীছ প্রোসেসতা শরুক য়াহনবা হায়বসি লৈবাক অসিদা তুং কোয়না চৎনগদবা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা অমসুং অফগান খূদিংমক্কী রাইটশিং ঙাক শেনবদা য়াম্না মরু ওই।

অফগান খূদিংমক্কী অফবা তুংলমচৎকীদমক অমসুং তুং কোয়না চৎকদবা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগীদমক নুপীশিংবু ৱারেপ লৌবগী প্রোসেসতা নুপীশিংবু মমাঙ অমসুং ময়ায়দা লৈহনগদবনি হায়না অফগানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এনগী নুপী রিপ্রজেন্টেটিভ অলেতা মিল্লরনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ফ্রেন্দস ওফ অফগান ৱিমিন অম্বেসেদর্স গ্রুপ্না হায়খ্রে মদুদি, অফগানিষ্টানগী পীছ প্রোসেসতা শরুক য়ারিবা নুপীশিংগী প্রোগ্রেস অসি নিগোসিএসন তৌদুনা পোলিটিকেল সেট্লমেন্ট পুরক্লবা মতমদা উবা ফংগনি।

কুমজা ১৯৬৪গী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা অফগান নুপীশিং হীরম কয়াদা নুপাশিংগা মান্নবা রাইটশিং ফংহনখি। টালিবান রেজিম য়াওনা কুমজা ১৯৯০গী মতুং চহী খরা অদুদা নুপীশিংগী রাইটশিং অমুক লৌথোকখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০০১দা প্রসিদেন্ট হমিদ কাজ'ইগী মখাদা লাকখিবা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা নুপীশিংসু ৱারেপ লৌবগী প্রোসেসতা অমুক য়াহনখি।

# সাওথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অপূনবা মিলিটরি দ্রিলস হৌখ্রে

সিওল, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

সাওথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসকী অপূনবা ফোর্সশিংগী চহীগী ওইবা মিলিটরি এক্সরসাইজ হৌখ্রে। সিওলগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সী এস)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অনীগী চহীগী ওইবা অপূনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা খরা পীকথনা পুথোক্লি।

কালেন চঙলকপা মতমদা হেক হেক পাঙথোক্তুনা লাকপা কম্বাইন কমান্দ পোষ্ট ট্রেনিং (সী সী পি টি) নৎত্রগা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা কম্প্যুটর সিক্যুলেটেদ কমান্দ পোষ্ট এক্সরসাইজ অদু মার্চ ১৮ ফাওবা চত্থগনি।

কুমসিগী ওইনদি কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক লেপত্রিবসি য়েংদুনা ফীল্ড মনুভরশিং য়াওররোই। সাওথ কোরিয়াগী মিলিটরি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেনিংগী মতম অপূম্বদা অকনবা এন্টিভাইরস থৌরাংশিং চৎনহনগনি।

কুমজা ২০২০দা লৈবাক অসিদা স্প্রিংটাইম কমান্দ পোষ্ট এক্সরসাইজ কেন্সেল তৌখি অমসুং পেন্দমিক্কী ফিভমগা চাননা সম্মরটাইম এক্সরসাইজ অমা ওইনা পাঙথোকখি।

প্রেস ব্রিফিং অমদা সাওথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বূ সিয়ুং-চাননা হায়খি, কোভিদকী ফিভম, কম্বেট রেদিনেসকী মওং অমসুং কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিংগুম্বা মরী লৈনবা কন্দিসনশিংনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী ফুল ওপরেসনল কেপেবিলিটি (এফ ও সী)গী ভেরিফিকেসনদা পনখৈগনি। এফ ও সী ভেরিফিকেসন অসি সাওথ কোরিয়ন ফোর্সশিংগী ওপরেসনল কমান্দ য়ু এসতগী অথুবদা পুরকপদা য়াম্না মরু ওই।

# অহানবা ক্বাদ সম্মিট চয়োল অসিদা পাঙথোক্লবা য়াই

টোকিও, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

ক্বাদ ফ্রেমৱার্ককী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা লৈবাক মরিগী লুচিংবশিংগী অহানবা মীফম চয়োল অসিদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না টোকিওদা গভর্ণমেন্ট অহুমগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ক্বাদ্রিলেটরেল সিক্যুরিটি দাইলোগ নৎত্রগা ক্বাদনা ইরাই নুমিত্তা নৎত্রগা চয়োল অসিগী অরোইবদা ভাচ্যুএল ফোর্মেটতা অহানবা সম্মিট পাঙথোক্কবা খন্নরি। মীফম অদু য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কন অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি লোয়দ ওষ্টিননা থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা জপান অমসুং সাওথ কোরিয়াদা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ব্লিঙ্কন অমসুং ওষ্টিনগী খোঙচৎ অসি জন্যুৱারীদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন লাকখিবদগী য়ু এসকী মকোক থোংবা ফোরেন পোলিসি অমসুং দিফেন্সকী ওফিসলশিংনা এসিয়াগী মীচঙ লৈবাকশিংদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি।

মসিনা চাইনাগী মতিক ময়াই হেনগৎলকপা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমদি মিসাইল প্রোগ্রামশিংবু য়ু এসনা লুনা লৌই হায়বসি উৎলি।

চাইনানা ইন্দো-পেসিফিক রিজন অমসুং মালেমগী অতৈ মফম কয়াদা মতিক ময়াই উৎনিংবগী মতৌ উৎপা ফোরেন পোলিসি চল্লাইরকপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরু ওইবা মীচঙশিংগা মরী হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনরক্লিবনি।

ক্বাদকী লুচিংবশিংগী অহানবা মীফমগী কনফার্মেসন অদু কানবেরাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা কনফার্ম তৌখি। মহাক্না পাউগী মীফম অমদা হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগাগা খন্নরে হায়খি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি।


## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

[illegible] / ADVERTISEMENT

Imphal, the 8th March, 2021

**No.1/2/92-HSC(Vol-V):** In pursuance of the Council Meeting Resolution No. 4.1 dated 23-02-2021, applications are invited from willing candidates for appointment by direct recruitment to the following 21 (twenty-one) posts in the Council of Higher Secondary Education, Manipur on regular basis.

| Sl. No. | Name of post | No. of posts | | | Reservation | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Regular Vacancy | Anticipated vacancy | Total | UR | OBC (M) | OBC (MP) | ST | SC |
| 1. | Assistant Programmer (IT) | 1 | 0 | **1** | 0 | 0 | 0 | 1 | 0 |
| 2. | Lower Division Assistant | 2 | 3 | **5** | 3 | 0 | 0 | 2 | 0 |
| 3. | Data Assistant | 2 | 0 | **2** | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 4. | Driver | 1 | 0 | **1** | 0 | 0 | 0 | 1 | 0 |
| 5. | Grade – IV | 11 | 1 | **12** | 6 | 2 | 0 | 4 | 0 |
| **Total** | | 17 | 4 | **21** | 11 | 2 | 0 | 8 | 0 |

**Qualifications & Scale of pay**

| Post | Qualifications & Scale of pay |
|---|---|
| Assistant Programmer (IT) | (i) B.E./B.Tech. [in Computer Engineering *or* Electronics and Communication Engineering *or* Electronics and Telecommunication Engineering] OR Master of Computer Application<br>(ii) Knowledge of Manipuri, Hindi and English.<br>**Scale of pay:**Rs. 9300 – 34800/- + GP of Rs. 4200/- |
| Lower Division Assistant | (i) Degree of a recognized University.<br>(ii) Knowledge of Computer operation along with minimum 6 (six) months Certificate Course in Computer Concepts + Multimedia + Internet.<br>(iii) Knowledge of Manipuri, Hindi and English.<br>**Scale of pay:**Rs. 5200 – 20200/- + GP of Rs. 2000/- |
| Data Assistant | (i) Degree of a recognized University.<br>(ii) Knowledge of Computer operation and proficiency in MS Office and PageMaker [with 6 (six) months Certificate Course in Computer Concepts + Multimedia + Internet + MS Office + PageMaker]<br>(iii) Knowledge of Manipuri, Hindi and English.<br>**Scale of pay:**Rs. 5200 – 20200/- + GP of Rs. 2000/- |
| Driver | (i) HSLC or equivalent from any recognized Board/Council.<br>(ii) Light vehicle Driving License issued by the Transport Department in the form of Smart Card.<br>(iii) 3 (three) years' experience from a registered motor workshop.<br>(iv) Knowledge of Manipuri, Hindi and English.<br>**Scale of pay:**Rs. 5200 – 20200/- + GP of Rs. 1900/- |
| Grade – IV | (i) HSLC or equivalent from any recognized Board/ Council.<br>(ii) Knowledge of Manipuri, Hindi and English.<br>**Scale of pay:**Rs. 4440 – 7440/- + GP of Rs. 1300/- |

2. Application forms can be downloaded from the Council website www.cohsem.nic.in for free or can be obtained from the Office of the Council from 10:00 am to 2:00 pm on payment of Rs. 100/- in cash. [**Note:** Downloaded application forms must be printed in clear white legal size paper only].
3. Duly filled in Application Form should be submitted to the Council along with application fee of Rs. 500/- for UR/OBC candidates and Rs. 400/- for SC/ST candidates in cash by enclosing their Bio-data along with (i) 2 (two) recent passport photographs and (ii) self-attested copies of Matriculation, Educational Qualification, relevant Certificates etc. on or before **2:00 pm of 31st March, 2021.**
4. **Age limit: -** Minimum - 21 years (18 years in case of Grade –IV/Peon) and Maximum - 38 years; relaxable upto 41 years for OBC and 43 years for SC/ST, respectively.
5. In-service candidates may apply through the proper channel.
6. **Mode of Recruitment:** Written Examination of Objective Type shall be conducted as follows: -

| | |
|---|---|
| Assistant Programmer (IT) | 100 marks on (i) General Knowledge, (ii) General English, (iii) Basic Mathematics, (iv) Basic Computer and (v) Reasoning (all as per 12th Standard level). |
| Lower Division Assistant & Data Assistant | 100 marks on (i) General Knowledge, (ii) General English, (iii) Basic Mathematics and (iv) Reasoning (all as per 12th Standard level).<br>[Computer test of 50 marks shall be conducted for written test qualified candidates] |
| Driver & Grade – IV | 100 marks on (i) General Knowledge, (ii) General English, (iii) Basic Mathematics and (iv) Reasoning (all as per 10th Standard level). |

7. The decision of the Council as to the eligibility or otherwise of any candidate shall be final and the Council reserves the right to cancel his/her candidature if found ineligible without any notice.
8. The Council reserves the right to increase the number of posts advertised, if exigency arises.
9. The date, time and place of Written Examination shall be notified by the Council in due course of time.

Sd/- **CH. BIREN SINGH**
**Secretary,**
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/6843/9